হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৮৩শুবা মশীং

## লাইসেন্স টু কিল

### গভর্ণমেন্ট অনীনা চগৌ য়েংবা তোক্লো

হান্না ‘নাগালেন্দ’ হায়বা মণিপুরগা শাইজিন লোন্নরিবা ষ্টেটসিগী মমিং শীজিন্নরম্বদগী হৌজিক্না ‘নাগালিম’ হায়বা ৱাহৈসিদা ওন্থোরক্তুনা এন এস সী এন (আই-এম) না নাগা ফুরুপ পূম্নমক শুপকোন কোনশিনবা য়ানবা হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লকখ্রবসু লালহৌলূপ অসি নাগালেন্দগীনি। মখোয়না মরমদম নাগালেন্দগী নাগাশিংগী নৎত্রগা নাগা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিং ফোঙদোকচবা হায়বসি মখোয়গী ওইবা ৱানি। মখোয়না তৌরক্লিবা নীংঙাইদু থেমদুনা তৌহনবা-তৌহন্দবা হায়বসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱাফমনি। এন এস সী এন (আই-এম) গা লৈবাকসিগী মপু ওইরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা লৈবা হকথেংনবা ৱাফমনি। অদুবু ৱারু-নুংজু থোরক্লিবা অসিদি এন এস সী এন (আই-এম) না নাগালেন্দদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুরবু মখোয়গী ওপরেসনল এরিয়াগী মনুং চলহল্লকপা অমসুং ষ্টেটসিদা মখল কয়াগী ওফেন্সিভশিং চত্থরকপদগীনি। অদুঙৈ বেঙ্কোক দিক্লারেসনগী মতমদসু মখোয়গা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান-চেদা ‘ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট’ হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিল্লুবদগী মণিপুর মৈ চাকখি। মসিগী মায়োক্তা ষ্টেটসিগী মীয়াম হৌরকপদগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখি। লৈঙাক অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরল-মথুমশিং উৎকী মপৈ ওইনা তুমখি। হায়রিবশিং অসি লালহৌলূপ অসিগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুনি হায়রিবা ৱাথোকসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা শীজ ফায়র এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা পীছ টোক চত্থরকখিবদগী থোরকখিবা থৌদোকশিংগী পুৱারীনা ঙসিগী মীরোলদা লিররিবা ৱারী শীংবুলনি। নাগালেন্দ, মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা ষ্টেট অনীসিগী লৈঙাকপশিং, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং লৈবাকসিগী মীয়াম অমদি মরী লৈনবা মালেমগী মীয়াম্না শিৎ-নান্না খঙবা ৱাফমনি।

খঙজসনু, তাসনু অমসুং উসনু। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা চল্লিবা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা থোকপা থৌদোকশিং মীপূম তিংনা খঙবা হায়বসিদি মহৌশানি, খঙফম থোকপনি। থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদু অরোনবা অমত্তসু নত্তে। ফোংনা থোকখিবদগী লৈবাক শরা শনখিদুনা লোইনা খঙনবনি। মসি পূম্নমকসু ওইসনু, নাগালেন্দগী ৱাথোক অমা মসিবু শন্তাইনবা ঙম্লিবা লৈবাকসিগী মপু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা অরোইবা ৱাতুপ্নবা, ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসিদি য়াশিন্নগদৌরিবা নাকল অনীমক্কী য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। মখোয় অনীদা নত্তনা য়ূমথংনরিবা মণিপুরগীসু অফবনি। অদুবু সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টকী অয়াবা থম্নদুনা মসিগী তৌবা য়াবা অমসুং য়াদবা গ্রাউন্দ রুলশিংগী মনুংদা এগ্রিমেন্ট তৌনরিবা লালহৌলূপ অসিগী ওথোরাইজদ দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈবখক্তা নত্তনা নোংমৈ শীজিন্নবা অমসুং পুথোক-পুশিন তৌবগী অয়াবা পীদে হায়দুনা মীবু নূঙথংনা থোমদুনা অমসুং য়োৎপাক্লা য়ান-য়ান্দুনা হাৎলকপদদি মীহাৎ-মীপূন চত্থরক্লবসু নোংমৈ শীজিন্নদবগী গ্রাউন্দ রুলদি ঙাক্লি হায়দুনা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চগৌ য়েংদুনা লৈথোকপদি অচুম্বা ওইগদ্রা? হন্দক্কী সেপ্টেম্বর ২২, ২০২১গী অথুৱান অবোনমাইগী থৌদোকসিনা অহানবা নত্তে। চহী খরগী মমাঙদসু কিষন, রাজেন অমসুং তোকেনবুসু চপ মান্নবা মীহাৎসিদা হাৎখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। থৌদোক্তুগী মতাংদসু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখি। হৌজিক অবোনমাইগী মতাংদসু লৌখৎতে হায়বা নত্তে, লৌখৎলি। অদুবু মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোকশিংগী মতাংদা থোকখ্রবা মতুংদা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলি হায়দুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি সুম থোরকহনবদি চুম্ব্রা হায়বনি। মস্বাইসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মখোয়গা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানরিবা এন এস সী এন (আই-এম) দা করিমত্তা হায়বা, ঙাঙবা ঙমজদ্রবরা? অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোরকহন্দবা ঙম্লরোইদ্রা? এন এস সী এন (আই-এম) না নাগালেন্দগী মীয়াম্বু নুংশি, নাগা ফুরুপকী য়াইফনবা তৌরি হায়রগসু মখোয়সি নোংমৈ পায়বা খূৎপুনি। মখোয়গীসু প্রিন্সিপল অমা লৈজবা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুবু মখোয়গী প্রিন্সিপলদুদা মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্লকপা মীওইশিংবু হাত্তোকপগী অয়াবা পীরগদি মখোয়দা ‘লাইসেন্স টু কিল’ পীবগা চপ মান্নবদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুরবু মখোয়গী ‘কিল্লিং ফিল্ড’ ওন্থোরক্লুব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্ত্রে হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) *‘‘তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোন্নমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।’’* শৈরেং অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) *‘‘শৈরেংগী খুঙ্গং’’* হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) *‘‘বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস’* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি *‘‘পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক’’* হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) *‘‘খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।’’* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লাংবনগী তর্পনগী মতম অসিদা নীংশিংজবা খরা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৭৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**

লাংবন থাগী থানিল হেক নোংঙানবা লাংবনগী ১৬নি পানবদগী তর্পন কৎপা হৌখ্রে। তর্পন কৎপা, হৈশোই, হৈথা-লৈথা কৎপসি লমদম অসিদগী চহী চা কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাকখ্রবনি। মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি লাংবন হৈথা-লৈথাগী থৌরম অসি পূক্লিং য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওইবা থৌরম অমনি। লাংবন থা হেক লাকপদা লৈখিদ্রবা ঐখোয়গী ইপা, ইপু, ইবুধৌ, ইমা, ইবেন, ইবেনধৌ অমদি পুন্সি চেঙজেল লোইখ্রবা অহল-লমনশিংবু নীংশিংহল্লি। ঐখোয়না মশক্তি উহৌদ্রবা মমিংখক্তি লৈহৌবা অহল লমনশিং নত্তনা ঐখোয়না শক উহৌবা, ঐখোয়গা লোয়নজরম্বা ইমা-ইপা, অবোক-ইপুবোক অমদি ইখুরা-ইন্দোন পূম্নমক্কী শক্তম লাংবন থা অসিদা ঙসিসু মীৎমাংদা শং-শং উরকই। মখোয়গা লোয়নরম্বগী শক্তম মওং মতৌ হেন্না হেন্না ময়েক শেংহল্লক্লি। মখোয়না লীবিরম্বা ৱারী, পাউতাক, ঐখোয়বু অফাওবা মী ওইনবা, মীরক তিনবা ঙমজনবা তৌবিরম্বা কয়া নীংশিংলুরগা ঐখোয়না হিংলিবা মখৈদি কাউবা শুকঙম ঙম্লরোই।

হায়রিবা পূম্নমকশিং অসি নীংশিংনরগা লাংবন থা অসিদা মখোয়বু নীংশিংজবা ওইনা মখোয়গী থৱায় মীরেলনা পেনবীনবগীদমক হৈথা-লৈথা কৎচবা মীরোল-মীরোল খুদিংমক্না পাঙথোক্লরিবা অসি মীওইবগী তৌফদ্রবা মচৎনি। মদু নৎত্রগদি ঐখোয় মী ওইনা পোক্লুবগী করি কান্নরুনি। ঐখোয়না মমাঙগী মীরোলশিংবু নীংশিংবীদ্রবা, ইকায়খুম্নবা উৎত্রগদি ঐখোয়বুসু তুংগী মীরোলশিংনা নীংশিংবীবা ওইথোক্লোই। মীওই অমা হেক পোক্লকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লরিবা থৌরম কয়া কয়াসি ঙসিদি লাই ওইনা লাৎনরবসু ইপা ইপুশিং অসিনা শেম্বীরম্বা কায়ফদ্রবা লীচৎনি। মসি নৎত্রগদি ঐখোয় আইন লৈতবা, চৎন-কাঙলোন লৈতবা, মানা মানা তৌনীংবা পংতৌদা তৌবা, কাং-খোং চাইরবা জীব অমগী থাক্তা ঐখোয় লৈরমগনি। অঙাং অমা পোক্লল্লবা মতুং ইপান থাবা, স্বষ্টি পুজা পাঙথোক্লরিবা, নাহুৎ-নারেং, শম কোকপা, লুহোংবগী থৌরমনচিংবা মথং মথং পাঙথোক্লরবা মতুংদা মতম চাদনা নৎত্রগা চহী নম্বো পোরকপদগী মাগী মতম য়ৌরক্তুনা তাইবঙপান থাদোকখিবা ফাওবগী তৌফদ্রবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লরি। মসিসু তৌদবা য়াদ্রবা থৌরমশিংনি। মীওইবনা শিবগা লাইনীং লাইশোন তৌদুনা পোৎলোইনরিবা, অষ্টি, শোরাৎ শোন্নরিবা/তৌনরিবা ময়ামসি তৌজররোই হায়রগদি হুই, হৌদোং, ষণ ফুম্বদৌনা ফুম্বা, লাইনীং লাইশোনগী থৌরম অমত্তা পাঙথোক্তনা লৈরম্বা তারগদি ঐখোয় ঙসিসু শা-ঙাগী থাক্তা হিংলম্বসু য়াই। ব্রহ্মামক্না পোকঙমদবা মীওই মপোক অসি ঐখোয়না অসুক্কী মতিক লুনা অমদি মমল য়াম্না লৌফম থোকই।

লাংবনগী তর্পনদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মফমদা হৈশোই কৎপা, হৈথা-লৈথা কৎচবগী থৌরমগী মনুং চন্না য়ূম্নাক শাগৈ হোংখ্রবা ইচল, ইচে, ইনেশিংবু মপামদা লৈহৌবা মবুং-মৌপ্বা, মখুরা-মতোন পূম্বগা হেন্না চেৎশিন্নবা পুনশিনবা মরী অমসু লৈহল্লি হায়বা য়াই। হায়রিবা নিংঙোলশিং অসিনা মপাম লমদমদা লৈহৌবা মমা-মপা, মখুরা-মন্দোল, মচিন-মনাও, লৈরিবা মপাম লমদমদা লৈখিদ্রবা অহলশিংগী মথ্বায় মীরেলনা পেনবীনবগীদমক পোৎলম কয়া পুদুনা লাক্লরি/কৎনরি। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি অওনবা কয়া লাকপসু উরে। মখল মখলগী হৈ-লৈ, চেঙ-থোইদিং পিথ্রাইগী কোম্পাক্তা হাপ্তুনা মনেম ওইবীগা লোয়ননা মপাম লমদমদা লাক্লখিবগী মশক অদু ঙসিদি উবা ফংখিদ্রে। মানা মানা ঙম্নবা মওংদা প্লাষ্টিক খাউ অমদা নৎত্রগা খাউ অমদা হাপ্লগা অমাজোননচিংবা মখল কয়াগী হোম দেলিভরি লাকপদৌনা ঙম্নবা/নংনবা হোৎনবগী মশক উবা ফংই। হোয়, মসিসু মতমনা পুরকপা অওনবনি হায়বা য়াই। ওফিস নংহৌররোই মতাগুম থোঙ্গালদা গাড়ী খাল্লগা তর্পনগী কৎনবা হৈ-রানি কৎপীয়ু হায়না পীশিল্লগা গাড়ী খংথৌ থৌখিবা থেংনবা য়াওখি। মদুদা পুরক্লিবা হৈ-লৈশিংদুবু কৎপদা লৈখিদ্রবশিংগী আত্মানা লৌবীগদ্রা খল্লকপগী মতাংসু লৈখি।

চহী খুদিংগী লাংবন থাগী থানিলগী মতুংদগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লরিবা হৈ-লৈ কৎচবগী থৌরম অসি উরুরগা হৌখ্রবা ৱারী খরসু ঐখোয়বু নীংশিংহল্লি। য়ূম অমগী অহল ওইরবা মীওই অমনা ফিশেং শেৎতুনা মখল শুনা শোয়দোক্তুনা শেম শারবা হৈ-রা, লৈ, চেঙ-থোইদিং, তিংথৌগা লোয়ননা তুরেল নৎত্রগা পুখ্রিগুম্বা অমদা পুথোরক্তুনা শকচ-শোঞ্জদুনা কৎচবা, হৈদোক্কদবা হৈ-রাশিং অদু ঙায়রগা খুদৈগুম্বা ফি অমদা হৈদোকহল্লগা মানা মানা অপাম্বা খন খন্দুনা চাবগী মওংসু থেংনখি। লৈকায়গী অঙাংশিংনা পুন্দুনা হরাওবোই-নুংঙাইবোই কুম্মৈ অমা ওইনা য়োমশিন্দুনা চামিন্নবদু ঙসিদি উখিদ্রে। তুরেল মোৎশিল্লকপা, পুখ্রি কয়া ফুনজিনখিবনা মরম ওইদুনা কৎফম লৈরক্তবদগী মানা মানা ঙমজবা মওংদা থোঙ্গালদা করিদা হৈথা-লৈথা পাঙথেক্লরকপা উবা ফংই। পাম্বৈ লৈতবদগী নালা ময়াদা ফাওবা থাদোক্লরি। তৌবতবু পুকচেল শেংনা, থম্মোয় শেংনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায় মীরেলনা পেনবীনবা কৎচবনি হায়জবদা ৱারৌনীংঙাই লৈতে খঞ্জে। মতাং অসি য়ৌরকপদা কনাগুম্বশিংনা থোঙ্গাল থোঙ্গালশিং নৎত্রগা মফম অমদা হেক্তা মমল য়াম্বা হৈ ময়াম অমা শোয়রগা হৈদোক্তুনা পৈ পৈদুনা মাঙহল্লিবদু উবদা ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রে হায়নবসু য়াওদবা নত্তে। সেম কেজি অমদা লুপা ২০০/২২০, লফোই লফাং ফজবা অমদা লুপা ১০০গী মথক, য়ুবী ফজবা অমদা লুপা ৮০/৯০, হৈজাং, থবী, কোমলা, নোবাব, চুঙৌ, মঙ্গ্রা মখল মখলগী হৈ ময়াম ভিটামিন এদগী জেদ ফাওবা য়াওরবা হৈশোই ময়াম অমা মাঙহল্লিবসি ওন্থোক্লা পাম্মুখ্রে। অতোপ্পা লমগী মীওইশিংনা উরগা ঐখোয় অসি খ্বাইদগী পংবা ফুরুপনি খনখিবসু য়াই অসিনি। মহাক্কী ৱাঙাঙ অসিসু কদায়দনো অচুম্বা অমদি য়াওরি হায়জনীংই। অদুবু ঐখোয়দি মদোমদা খঞ্জিল্লুবা য়াদ্রি, ইপা ইপুশিংগী থৱায়না পেনবীনবা অরৈবা খরা কৎচবনি হায়বা তাই।

হন্দক্কী লাংবন থাগী তর্পন মনুংসিদা ঙাইহাক পোত্থাবা ওইনা য়ুট্যুব হাংদোক্তুনা মেৎতুনা য়েংলুববু ওন্থোকপা ইপিসোদ মতেক মতেক উবা ফংখি। ঐখোয় মৈতৈশিংগী লমচৎ, শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থকসি-খাসি হন্থরক্লে খনখিবদুগী মথক্তা কা হেন্না মথক মখা ওন্থোক্লম্বা থেংনখি। হেক য়েংলুবা খুদিংদা মানা মানা ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা, তৌনীং তৌনীংবা থিংবীনবা য়াওদনা নীংতম্না খোন্থী-খোনচোপ মীয়াম মমাঙদা ঙাঙলোইদবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ ঙাঙবা তারুরে। ওন্থোক্লা শাউনীংবা ফাওরকই। ঐখোয়না হিংলিঙৈসিদা অসিগুম্বা অথিংবা অমত্তা লৈতনা তৌনীং তৌনীংবা তৌনরগদি হয়েং ঐখোয়না শিখ্রবা মতুংদদি ঐখোয়গী মৈতৈ খুন্নাই অসি কাং-খোং চাইরগনি। ●



# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৩৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মসিনা ঙাক্লৌ পীরিবদি চীংগী কাঙবুশিংদনি, তম্মী হায়না খঙনবশিংগীদি নত্তে। অদু ওইরবদি ইরমদমসিগী হৌরক্লোন্দগী য়েলহৌমী ওইজরক্লবা তম্মীশিংদদি মথক্কী মখল অনীগী থৌরাং থৌশিলদা খেন্নবসি করিনি হায়না লৌগনি। মথক্কী মখল অনীসিগী মখাদা য়েলহৌমীশিংনা মাঙজরিবদি হান্না চাওখৎপা চাওখৎতবা মনীং মখা তম্বা চীংলৈবাক অমা ওইজরম্বগী থাক/ফীভমসিনি। হিংচা য়াইতম্বগী লো (দ্রাকোনিয়ন লো) শিং বৃটিশকী মতমদা নম্ফু সাসনগী খুদোং চানবা থমজিল্লম্বা কয়াশিং হৌজিক ফাওবদা মতৌ তম্লগা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকপা চহী ৭৫ শুরক্লে হায়না চাওথোকচরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা বৃটিশ মতমগী লৌশিং হোংদোক্তবা/মহুৎ শিনজিনদবগী মরম করিগীনো হায়না লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা এপেক্স কোর্ট সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়াগী সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদা পাউহংখিবসি লাল্লি হায়না লৌফম থোকপ্রা? লাকচনীংলিবা ৱাফমদি হৌজিক্কী মতমদা চুনদ্রবা বৃটিশ মতমগী ‘সদর হিলস’ অদুগা ‘এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট, ১৯৬০না ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবসি হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা থম্বনা মতমগী হোংলক্লিবা ফীভমগা চান্নদ্রে খঙলবা ফাওবদা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌথোকপিখিনবা রেক্কমেন্দেসন/প্রপোজেল য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা থাফম থোক্তব্রা? রেক্কমেন্দেসন/প্রপোজেল থাফম থোকপগী মরম চাবা পোইন্ট অনীদি - “মতম কয়াদগী হায়দুনা লৈরক্লবা চীংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী সাসন মতিক চাবা মমি তাদে; চীং অমসুং তম অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎতে” হায়নরিবশিংগী মতিক চাবা পাউখুমশিং খুদম ওইনা তমদা লৈবশিংনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং/কম্মেন্ট অমা হেক চত্থবদা/পীরুবদা লৈঙাক লৈরি হায়বগী এক্সন খুদক্তা উৎপা ঙম্বসি চীংগী মফম অমদা/পূম্নমক্তা তৌবদা ফ্রী থাদোকপনা, চীংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইবা, তমদা তৌরিবা অসিগুম্না তৌদবনা হায়রিবসি চুমই। অদুবু য়াম্না নুংঙাইবা, কয়াম চুম্বা চুমদবদি খঙদে, চীং-তম অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবা অচৌবা শেনফম কয়া চীংদা থাদখ্রে, মসিগী হ্বাইট পেপর পুথোক্লগনি হায়না ষ্টেটসিগী সী এম এন বিরেননা সেপ্টেম্বর ১০দা চান্দেল, তেংনৌপলদা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবা, উরেপ তম্বগী থৌরম অমদা হায়খি হায়না লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে খরদা য়াওখিবসি মীচম মীয়ামদসু খঙহনবনা ফগনি। মরমদি চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা য়াম্না ৱারৌনা তম্মী ইচিন ইনাওশিংদা খল্লিবা উরিবসি হান্নদি চুম্ব্রা খল্লম্মী। মসিগা য়াম্না মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লা থাদখিবা দিভেলপমেন্ট ফন্দ অমদি ৱার্ককী মতাংদা খঙনবা ‘ আর টি আই থারুবা মীওই ৪দা কিহল্লকখিবা এন এস সী এন (আই-এম) কাদরশিং ফাবা ঙমদনা লৈরে’ হায়না লমদমসিদা ফোঙবা পাউচে অমগী সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২১দা ফোঙখিবসিগী মখাদা - কিহল্লকপা অসিদগী নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী) দা চহী অসিগী মে ১৫দা কমপ্লেন্ট থাবদা এন এস সী এন (আই-এম) গী সিজ ফায়র এক্সটেন্সন মণিপুরদা তৌবা লৈতে হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পাউখুম পীরকপদগী এন ঐচ আর সীনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা মণিপুরগী জুরিসদিক্সননি হায়দুনা ট্রান্সফর তৌরকখি। এম ঐচ আর সীনা মণিপুরগী হোম দিপার্টমেন্টতা হঙ্গৎপদা আই এমগী ওইরবদি সেন্ট্রেলনা তৌগদবনি অমুক হায়রকখি। এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনরিবসি মণিপুর য়ৌদে হায়বসি মমাঙদা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়খিবা লৈরবনি অদুবু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা থংজিন্দুনা লৈবা অসি লাইবক থীবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অনীমক্লা এন এস সী এন (আই-এম) গী সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট তৌনবদা মণিপুর য়ৌদে হায়বসি হান্নদগী হৌনা নাখৈ শেংলবা ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঙাইহাক লৈতনা অথিংবা অমদি অয়েৎপা পীবদা ষ্টেট লৈঙাক চীংদসু লৈ হায়বসি উৎতুনা থবক তৌবা ঙমদবসিদগী ওইরম্বা তাই ‘চীংদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মতিক চাবা মমি তাদে’ হায়বসি চুমই হায়না লৌবা য়াই। অদুনা চপ মান্নবা লেন্দ লো এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট চৎনহল্লবদি চীং অমসুং তম অনীমক্তা চপ মান্নবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা ঙমগনি খঞ্জে। মসিদি লৈঙাকপশিংগী মখূৎতা লৈবা ৱাফম ওইবনিনা মরম অমখক্কীদমক অদুক পঞ্জরম্বগী ৱাতনি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি য়াম্না অঙনবা মতমদগী হায়বদি লৈশেমঙৈদগী মৈতৈ/মীতৈশিংগী অরুবা লাইশিংগা শাগোন্নবা লাইফমলেন খরদি অৱাংবা চীংগী চীংদোন অমদি চীংশাং পরেংশিংদা লৈরকপনা হৌজিক হৌজিকসু লৈরি। মরমদি লাইশিংগী অশেংবা লাইফমলেন খুভমশিং খুদোং চায় নৎত্রগা চাদে হায়দুনা মফম হেক্তা হোংবা য়াবা হৌনদে। অদুবু মরম খরদগী খুভম য়াবা, য়াবদি মপা লাক্লগা তৌনবা খরদি ময়াওই। খুদম ওইনা, কৌব্রু ইপাগী চীংদোন্দা লৈবসিগী শুরুং, চীংখোংগী ফাওফমদা খুভম য়ারগা লৈরি। ইবুধৌ থাংজিং কোইরেল লাইগীসু শুরুং মখাদা ফাওবদগী খুভম য়ারগা লৈরি। কৌব্রু চীংশাং পরেংদা কৌনু ইমাগী, লোয়ালাকপা ইপাগী লৈরি। শেল্লোই লংমাই চীংদা নোংপোক নিংথৌ অমদি পান্থোইবী ইমাগী খুভমশিং লৈরি। হান্নদগী লৈরকপা অদুবু কোন্না খঙলকপদগী খরা নৌনা শেমগৎপা শেল্লোই লংমাই চীংগী ৱাখা লমলেন্দা হয়ি হয়া শিদবা ইপাগী নোংদম্বা শঙলেন, পাখংবা লাইনিংকোল য়াম্না মনিল লৈনা শাফোংবিদুনা ঙান্থোইবিরি। কাংবা নিংথৌগী মতমদা মরী লৈনবা লাইয়িংথৌ সনামহীগী চাওরবা শঙলেন/কিয়োং হায়দনা সনামহী কলচরগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মহৈলোয়শঙ (য়ুনিভর্সিটি) শাদুনা লৈরে। মসিদসু নত্তনা হান্নদগী ঈনাৎকী উমং লাই ওইনা মতিক ময়াই লৈবা লাইফমলেন কয়া খাঙ্গুথক্তা চঙশিল্লকপা মীরম লাইগী মমিং চপ মান্নরগা লৈফম খেন্নবগী মতুংইন্না মহারাজ চন্দ্রকৃত্তিগী মতমদগী কৌনরকপনা হৌজিক ফাওবা কৌনবসি চহী মতম খরগী মনুংদদি মৈবু ফিনা কুপ্তুনা মতম কুইনা থম্বা য়াদবা অদুগুম্না মীরম লাই ওইরমদ্রে হায়বা লোইনা খঙনরক্লগনি। মীরমগী লাইশিং মরমদমদা লৈজবশিংগী মরমদদি করিসু হায়নীংঙাই লৈতে। মীরমগী লাইশিং খরা ইরমদমসিদা পুশিল্লক্লগা লৈরবসিদি ইরমদমগী মতিক ময়াই মান্নবা ইপুধৌ, ইবেনধৌ, খোইয়ুম লাইনিংথৌ/লাইয়িংথৌ, লাইরেম্বীশিংগা হৈশিংনা পকশিন্নরগা - মীরমগী লাইনীং মপূং ফাহন্নবা হোৎনবদা ইরমদমগী লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংবু নমথনবা হোৎনরমখিবনি হায়বসিদা ককনীংঙাই ওইদ্রবনি। মীরমগী লাই মকোকনি হায়রিবা ফাওবা ইরমদম য়ৌরকপা মতমদা ইপুধৌ পাখঙবগা মতিক ময়াই মান্নে হায়বদি মশা অমত্তা ওইবগুম হায়জবা মখোয়গী লাইরিক অদুম লৈ। লাইনিং লাইশোনদা থৱায় য়াওবা কয়াগী মফমদা হায়রিবা লাইরিকসি লৈনরমগনি খল্লি। শম্না হায়রবদা চিংথংখোম্বা মহারাজগী মতমদগী লোৎশিল্লগা মীরম লাইনা লমদমসিদা মিহুন মিংলেন অমা হোংলগা শাফোঙবা ঙমজরকখিবদি মীংচৎ অমা থৈরগা মীংচৎ অমা তান্নবা, মতমদুগী অখঙ অহৈ ময়াম অমা তানরগা তৌরকখিবদু অয়াম্বা মতমদা লোয়নদুনা লৈখিবা নিংথৌ/মহারাজ মশামক্কী অচানবা অঙোম্বা গোপীনা করিগী অরোন-অথুপ খঙলোইদগে। অঙোম্বা গোপীনা নিংথৌ মহাকথক্কী মতমদা থোকখিবা অচুম্বা থৌদোক কয়াদু খূৎই লাইরিক ওইনা থনম্বসি মতমসিদা হায়রগনা মরীল লৈবা ওফিসর/পুৱারী শুবা অমনা মশাগী কনফিদেন্সিলে দাইরিদা ইবদুগুম্বনি হায়না লৌবা য়াই। ●